# থায়নগী নিংথৌশিং অমসুং ঙসিগী লৈঙাক্লোইশিং - কনানা হেনবগে মরৈবাক মীয়ামগীদমক খঞ্জবা

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

*অদোন নোংয়ায় খুমন নিংথৌ পুনশিবা পুয়াম য়ুমলেনবা তন্দু লান্থবা লেমলৈ নিংথৌ হাইহৈবনা ইদাইরেম নোংয়ায় খুমন থাথা লাইথা থনবশিংও! হৈরেম কাংবিশূ শমু খোঙশেকপা লাংলেন কোঙয়াং চৈশুপান্না থৌবনা ময়ুম নোংয়ায় শীংজা ৱাইকোইবদা এলাং থৌচংফদে হায়ববু তয়ুম খুন চনুশিংগী লৈরক কোনশাং ৱাবু নাতায়য়ে। মরোং কনানা চুং ফূন্না তিমেন কনানা তা চায়নরুগবনো কংলা থনবা পাউ খুমলকও হায়না পাউ হংববু নোংয়ায় থাথা থনবনা পাউ খুমগবরা পাউখুমদা, অদোন লাইথা থনবনা পাউ য়াগদরা পাউ য়াদে। অদোন চকলাই ফান্তোনগী কংলা ফমগা থেংবা লাংলেন কোংয়াং উনৌ কোন্দে কোন্না হুনবনা কোঙয়াং ৱারেপ ফাবগুম নাউৱা লাংজেং মথোকলকপা হুয়েন লানবাম মহৈরকলিবা নোংয়ায় চাখা মোইরেম্বা অথৌবনা কোন্না পাউখুমলকএ! শাবন লান্থোঙ শিন হুয়েন লাল্লম খঙদা ঈগুম মপু কোল্লোয় নয়াথংবু তাংজা লুদা থোংনা নদাইরেম ঐনা খোকলাং পমশিংনা তিমেন তা চায়নরুগে পাউ য়াখিয়ে। (চায়নরোল)*

অপূনবা ঈরৈবাক্কী শক্তম অসি ওইহল্লকপগী থবক মপূং ফাদ্রিঙৈ মতমগী ৱারীনি। কংলৈ, খুমন, মোইরাং, অঙোম, হৈরেম খুঞ্জান্নচিংবা কাঙলূপ কয়ানা তোঙান তোঙানবা মফমদা মশা-মশাগী লমখৈ য়াত্তুনা মনীং তম্না খূৎকন পাঙ্গন্না পাল্লিঙৈ মতমগীনি। লৈবাকশিংদুগী মরক্তা চারৌ-মৌরৌনবা অমসুং মরুপ ওইবগী মরী থম্লরম্মী। নাকল অমরোমদা মশা-মশাগী লমখৈ পাকথোক চাউথোক্লবা অমসুং লমখৈ কন্ননবা শোক্লখিবা লান মশীং মপান নাইরমদে। করিগুম্বা মতমদা পাঙ্গল মিংচৎ হেনগৎনবা অমদি কাঙলূপ অমগা অমগা শাউগৎনবা, উংখৎনবা থোকহনবা থৌদোক ৱাথোক কয়ানা তমথীরবা লান কয়া থোকহনখিবসু কোঙ্গায়নি। মথক্তা থমজরিবা মতাংসি কংলৈগী খা থংবা মায়গৈরোমদা হাইনা হুম্না পাল্লম্বা খুমন অমসুং হৈরেম খুঞ্জান মরক্তা লমখৈগী উংখৎনরকপদা খুমন নিংথৌনা হৈরেম খুঞ্জানবু নমথনবা থৌরাংগা মরী লৈনবা মতাংনি।

হৈরেম খুঞ্জান অথৌবা কাংবিশূনা খুমনশিংবু ইতৎ তত্তনা শীংনরম্মী। খুমনগী মীওইশিংনা শীং চনবা, এঞ্জাং-নাপি থিবা চৎপা মতমদা অথিংবা পীরে হায়বসি খুমন নুপীশিংনা ঙাঙনরম্মী। ৱাফম অসি খুমন নিংথৌগী নাকোং য়ৌখিরম্মী। ওইনীংবা কাঙলূপ ওইসনু, কাঙলূপ খুদিংমক্কী নিংথৌশিংদো মরৈবাক মীয়াম্বু য়াম্না লূম্না লৌরমগদবা মাল্লি। অতোপ্পা কাঙলূপ্পা থৌওই উশিত্তবা, লাকচ-খুদুম চল্লকপদা তূমিন্না খক লৈথোকখিদে হায়বসিমদি ৱারী লাইরিক কয়ানা লেঙদবা খুদম ওইদুনা লৈরি। হৈরেম কাংবিশুনা খুমন মীচমদা কিহন-খংহনবদো তরাই-তরাইনা খন্দোকখিদে, লৈবাক নিংথৌদা শীংনবনি হায়না লৌরম্মী। অঙম অথৌ পূন্নমক তিন্দুনা কাংবিশুগা চায়ন খোঙফেন্নবা ঙমগদবা অকন অথৌ থোরক্লবা য়াথং তাউথরম্মী। মতমদুগী চায়নবা অরায়বা নত্তে। খুমন অকন অথৌ ওইরবসু হৈরেম কাংবিশুগী মখূত্তা মায়থীরবদি মহাক্কী লূরেন কেনগদৌরিবনি। অসুম্না মরৈবাক মরৈচাশিংদা শীংনরকপশিংদো লেম্না অমত্তা থারমদে । অকন অথৌশিংসু অদুমঙায় মরৈবাক মীয়ামগী য়াইফনবনি হায়রবদি থৱায় থাদোকপদা নাচুংবা ফাওনরমদবজাৎনি। মদুদনি নহা ওইরিবা খুমন চাখা মোইরেম্বনা মরৌ চাউবা হৈরেম কাংবিশূগী লৌনম তাৎনা মরম ওইরগা লূরেন কেনখিবদু।

মসিনসু লোইদে, খুমন নিংথৌ অদোন পূন্সিবগী হাক্তক্তা হৈরম লুচিংবা খোংঙা খোঙতেকচানা খুমনবু থৌওই উশিত্তবা থৌওং থৌচৎ চত্থরম্মী। খুমননা থেন অমা শেম্বা মতমদা মখোয়গীসু শেল্লম্মী। খুমন্না পুঙ থোল্লবসু খোং তৌরবসু মখোয়গীসু পুঙ থোনবা অমদি খোং তৌবগী থবক পাঙথোক্লম্মী। করিগুম্বদা খুমন্না থোনবা পুঙ মথক্তা মখোয়গী থেন শেম্বা অমসুং খুমন্না শেম্বা থেন্দা মখোয়গী উ হোঙবগী থৌরম পাঙথোক্লম্মী। পূন্নমকসিগী মথক্তা করেম কথাইনবগা লোয়ননা অথোই নাপন কাদুনা লান শীংনরম্মী। খুমন নিংথৌ অদোন পূন্সিবা তূমিন্না লৈথোকখিদে, কংলৈ নিংথৌ মৈদিংঙু থৱানথাবগী মতেং লৌদুনা হৈরেম খুঞ্জানগী মথক্তা লান তাশিল্লম্মী। হৈরেম খোংঙা খোঙতেকচাবু হাত্তুনা খুঞ্জান লৈবাক নৈখাইরম্মী। হৈরেম খুঞ্জান মপাঙ্গল শোন্থখি, অমুক হন্না মঙক হাইগৎলকপা ঙমখিদ্রে।

কংলৈদসু অদুমঙায়, অতোপ্পনা লাকচবা য়াদবগী থৌদোক মশীং মপান নাইখিদে। অনী অহুমদং লৌখৎচগে। মৈদিংঙু উৱা কোন্থৌবনা পাল্লিঙৈ মতমদা শেল্লোই লাংমাই লান্মীশিংনা মহাক্কী অয়াবা য়াওদনা কংলৈ লমদা লানশিন্দুনা ফাওরগা হাওকপ চীংশাংদা লান্দাবা চৎখি। মদুদসু নত্তনা মখোয়বু কিমনবদগী অশিবা শাশিন্নদুনা লৈরিবা কদেম শোয়শেনববু মখোঙনা কাওথোক-কাওশিন তৌবগা লোয়ননা লান চৎলুবা হল্লকপদা মঙক ককপগী ৱাফম ফাওবা ঙাঙনরম্মী। অসিগুল্লবা কংলৈ নিংথৌ অমদি মীয়াম্বু থৌওই উশিত্তবা থৌদৌ অদু হেক খঙবগা শেল্লোই লান্মীশিংগী মথক্তা লান তাশিন্নবা লানবাউ চেন্দুনা খুদক্তা শাপোৎ লানপোৎ থৌরাং তৌখি। লান ঙম্বগী হৱাও তয়াম্না হল্লকখিবা শেল্লোই লাংমাইশিংবু লম্বীদা লুমদুনা ঙাইরম্বা মীতৈ লান্মীশিংনা লান্দাশিন্দুনা হাৎখিবা অমদি লান্মী তরাখক্তমক হিংহৌবগী ৱারীসু লৈ। খরা থেঙথরকপা মতমগী হায়রগা খৃষ্ট কুমগী ১৬শুবা চহীচাদা পানখিবা মৈদিংঙু কৱোম্বগী হাক্তক্তা কংলৈদা লান্দাগে হায়দুনা তখেল লান্মীশিংনা লৈমতাক য়ৌনা চঙশিল্লকখি। পাউ অদু হেক ফংবগা মৈদিংঙু মশামক্লা লুচিংবা কংলৈ লান্মীশিং লৈমতাক্তা চত্তুনা তখেল লান্মীশিংগা লান শোক্লরম্মী। মদুদা তখেলশিংবু মায়থীবা পীদুনা তখেল লানফা ময়াম পুরকখি। মৈদিংঙু খাগেম্বগী মতমদসু মনাওইবুংঙো শানোংববু মতেং পাংবগী মিংদা কছারনা কংলৈগী মপাঙ্গল ময়েং তাহন্নবা হোৎনরকখিবনি। মৈদিংঙুগী মতিক মথৌনা মরৌশিং পুথোক্তুনা পূন্নমক্তু অরেম্বা তাহনখিবনি। মৈদিংঙু গরিবনিৱাজগী মতমদসু তখেল অমসুং অৱা অনী পূনশিন্দুনা চত্থরকপা লানফমদা মায় পাক্লা মায়রোং য়াখিবগী মতাং ৱারী লাইরিকশিংদা য়াওরি।

অসুম্না থায়না মমাঙঙৈগী ইনিংথৌশিংদি ইরৈবাক অমদি ঈরৈচাশিংদা শীংনরকপদা তূমিন্না খক লৈথোকখিদে। মায় পাকপা পাক্তবা হায়বদুনা তোঙানবা ৱাফম্নি। শীংনবা য়াদে হায়বদু উৎনবা ঙমজবী থাদুনা হোৎনরম্মী। ঙসিদি ইমা লৈবাকসে কাং-খোং চাইরে হায়দবা ঙল্লোই। ঈং-তপ্লে, লৈবাক মরা তপ্লে হায়বসু ঙমখিরোইদৌরি। মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওনা ইরমদম য়ৌরক্তুনা লানগী চৈথেং ফংলিঙৈ মতমদসু লৈবাক মীয়ামগী ওইবা শূবা-নোম্বা, থবক থৌরমশিংদি অদুম্মক পাঙথোকখি। মদুদবু লান লোইরে হায়খিবরা? ভোট থাদবা মী ময়াম থোরক্লে, মহৈ লোয়শঙ, ওফিস, কৈথেলনচিংবা মপূং ফানা হাংলে হায়জরবসু তংদু লৈতারে করম্না হায়গদৌরিবনো? মনুং মপান অনীমক্কী মীওইশিংনা চত্থরকখিবা লান লোইদ্রি। মীওই লিশীং লিশীংনা মা-মাগী পোক্লফম লমদমদা খোঙ্গুল তাবা ঙমদ্রি। নোংপোক-নোংচুপ, খা-ৱাং লম্বীশিংগী থোঙ খুদিংমক থিংজিন্দুনা থম্বগা পাঙ্খক ওইরি। মীচমদি হায়রুনু সিক্যুরিটিনা য়োমশিন্দুনা থৌগল তৌরিবা লৈঙাক্লোইশিংবু মনীং মখা তম্না ইরৈবাক ইরমদমগী মফম পূন্নমক্তা য়ৌবা ঙল্লবরা? চহী লিশাং শিৎনা নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী হৌনা ঐখোয়বু ঙাকপী শেনবীরকখিবা চীংলোন চীংলোনশিংবু উরগা অকি-তুজুংবা ফাওরিবা, অমুকসু য়ৌঙমদ্রেকো হায়না তক্সি শোন্দুনা খাঙনরিবসিনা কমদৌবা? ***পূক্নিং শান্তি ফংহনবীয়ু, অকি তুজুং ফাওহনবীরনু, ইনীং তম্না অকি-অখং লৈতনা ইরমদম লমখৈ মনুংগী য়ৌনীংবা মফমদা য়ৌহনবীয়ু, মদু নংত্রিমখৈদি করিমত্তা হায়বীরক্কনু-কপনীংলকই।*** ●

# ইকায়বা হায়বদি ! করিগী ইকায়বা

- নবকুমার ওইনা -

ভোটতা শেল য়েনবদি ইকায়দ্রগা, গাড়ী হুরানবদি ইকায়গদ্রা, ক্বেসন হুরানবদি ইকায়দ্রগা, থবক্কী শেল পীজবদি ইকায়দ্রগা, থবক শূদবদি ইকায়দ্রগা, লায়রবদি ইকায়দ্রগা, ইকায়বা হেক্তা হায়বসিবু করিদনো! লাই মমাঙদা ফাওবা ইকায়দ্রবদা কদায়দা ইকায়গে হায়বনো? ইউ উনরিবা, ইখঙ খঙনরিবা অসিদবু করিগী ইকায়বগী ফি ফজনা শেৎনরিবনো? মসিসু অঙকপনি।

লাইরিক তম্নরিবা অসি ফাওবদা ইকায়-ইকিগী ৱাখল অমা ফাওনদ্রবনি। তমদ্রবা, খঙদ্রবা মীওই অমদা ইকায়গদৌবনি হায়বসি খঙদবা ওইগদৌরি। লায়রবা, ইনাক খুনবা, ফম চাউবা-পিকপা, লাই নীংবা-নীংদবা ইকায় খঙবা মী অমা থিবা তারবদি থিফম খঙবগী ৱাদি লৈত্রি। ইশানা হায়বনা য়াদ্রি, চিন্থীবা ওইবসু য়ারিবনি। লাই খুরুম্বা পঙয়াও য়াওবনা করি, লাই নীংলবনিকা হায়রবদি য়াম্না ইকায়নীংঙাই ওইখৎলক্লি, মীওই খরনদি অপঙবা ওইনা উবদৌনা ঙাঙনবসু লৈরবনি। অপঙবদা অপঙবা হায়বদি য়াদে, লাল্লি; ইকায়বা অদুম নংলদৌবনি। হায়রুরিবা মীওইদুসু অপঙবনি হায়বা অদুম খঙলদৌবনি। হায়নবা ঙম্নদবা, য়ানদবা ময়াম অসিদগী ৱাথোক য়াল্লিবা অসিনি। শোরাত্তা, লুহোংবদা শেল থাদ্রবদি ইকায় হায়বসি ওন্ন-তৈনবনি, শেল পঙথাদা থাবদুদুম ইকায়গদৌবনি। অপঙবা ফুদোকপদা ইকায়নদ্রবনি। চাক তাঙবনি হায়বদি তাবা, খোংবান্দা থন্না হৈদোকপদি ইকায়দবা, ওকতা পীজরগা য়োকপনা ইকায় হায়বা য়াওনরিবনি। ওক চাবদসু ইকায়বা লৈ।

মালেমগী মফম খুদিংদা লৈরিবা চৎনবী ময়ামসি লমদমসি য়ৌবদা হেক্তা য়ারগনি হায়বা লৈতে। মদুসু ইকায়গা, য়াদেগদা পঙয়েত্তা য়েৎনবা ওইগদৌবা মাল্লি। মীয়াম্নদি পাম্বা মীওই খরনা য়াদবগী পঙয়েৎ য়েৎনবা মানবসু লৈ। ইকায়নবদগী য়াদ্রবসু পাউচেদদি নুমিৎ খুদিংগী হায়বা য়ারি, য়াদে-য়াদে হায়না অদুম হাপ্পরি। হায়বদি য়াদে হায়রিবদু অদুম মরাং কায়না লৈরি হায়বা ওইরিবনি। য়াদে হায়রিবদুনা কনা-কনা ওইরিবা, মীয়ামগীদমক্তা ইকায়নরিবনা কনা-কনা ওইরিবনো? ইকায়রবদি কোয়লাউ লাউবদু চুম্লিবরা? মদুদি ইকায়দবরা হংবা য়ারিবনি। ফবা-ফত্তবা শেমদোক্লবা হায়বদি ৱা-ৱা লাওদ্রবসু য়াগনি হায়বগী ৱাতনি। ইকায়ববু হৌদোং মচামুক চাউবরা, খোংবান অমা চোংলগা কোকপদুবু হায়বসু লৈরি। লাইনীংবা মী অমা ওইনা লৈবদি পাম্নদবদগী মী অয়াম্বা ওইনদ্রিবসিনি। অফবা মী ওইনীংদবা মী য়াম্না লৈরি হায়বা নত্তবরা? হন্দক্কী চহী মঙা-তরা অসিদা হুরান-চিন্থি, ষণনিং হনবা, শেনখায়-থুমখায় অসুক য়ামখৎলক্লিবা অসিবু অফবা থবক থৌরম অমগীনি হায়বা য়াগদৌরিব্রা? মসিগীদমক্তা ইকায়বনা কনানা ইকায়বিবা তারিবগে? ইমা লৈবাক নুংশিজগে তৌবসু লৈরমদ্রে হায়বা য়ারে। মদুগীদমক ইকায়জগে হায়বদুনা হেন্না ইকায়জরে। করি তৌগনিদুম খঙশিল্লক্তরে। মরুপ-মপাং, মরী-মতাদা হায়দোকপনা হেন্না ইকায়বা ফাওরক্লে। চহী চনী-চহুম অসিদা হোংলিবা লমদম অসিগী শক্তম অমসুং লৈঙাক্কী মওং অসিগীদমক ইকায়বা পোকপা মীওই অমত্তা মরৈত্রবরা? লৈবদি লৈগনি, থবক থৌওংদা থাজবা ঙম্লক্তবগী ৱা লাক্লবনি, ইকায়রকপদুনি। ঐ অমনা করিবু তৌরুগদৌরিবনো?

হায়দোকপদদি ইকায়বা য়াম্না লৈদা, ঐখোয় ময়ামসি হান্নগী অরিবা ৱারীদা ঙাওনৈ, অনৌবা থেংনগদৌবা কয়াদি মোন্দ্রংদা লৈবগুম তৌরি। লৌবুক্তা য়ূম শাজিনবা হায়বসিমক ইকায়বা পোক্কদৌবা ৱাফম অমনি। লৈঙাক ফজদে হায়বনি, লেন্দ-লো ফজদে হায়বনি, পুক ফৎনদে হায়বা, পঙবা নৎত্রগা পাংদবা উৎপনি, অপুনবগী ৱাখল খন্নবা ৱাৎপগী থৌওং উৎলিবনি। অশোয়বা মচা অমদগী ঙসিদি ৱাজাও থোক্লে। হেন্না ইকায়বা অমসু লৈরি, লৌবুক্তু য়ানদে হায়বা কাঙবুদা ময়াম য়োম্থোক্লম্মীবনি। ইরৈবাক য়োল্লগা চাবা ঙম্বসু য়াওরি হায়রিসিনি। চহী লিশীং-লিশীং মশীং থিবদি য়াওবা (কনাসু লিশীং য়ৌনা থিবা য়াওরম্মোয়), লৈঙাকপা হৈরক্ত্রে হায়বদি হায়বা য়াদবদৌনা ঙাঙনবা অসিসু ইকায়নীংঙাই ওইরকইবনি। নমথবগী ৱাঙাঙ অমনা কুপশিল্লগা লৈবনি খঙলকইবনি। ৱা ঙাঙবা ফাওবা য়াদবগী চৈ চারিবনি। মসিসু ইকায়নদ্রিবনি।

রিক্সোদা কোনঙৌ মচেৎ খোম্বা চৎপসি উবদা পঙইদ-ইকায়। ইশানা খোম্বা চৎপসু ইকায়বা, লমদমসিগী মী ওইদবগীসু ইকায়বা। থবক শূনীংদবসিগীসু ইকায়বা, শেল তানবা তনবা অদুগীসু ইকায়বা, ইশাগী থবক মুনখিবগীসু ইকায়বদি ফাওবা, ফাওদ্রগসু ইকায়বা। তৌবগীদি কনাসু ইকায়নদবা অসিনা ইকায়বদু খরদি ফরি। লাইগী মিংদা শম খাকপসু ইকায়নদে, কোয় খাকপসু ইকায়নদে, ফুরুপ-ফুরুপকী ৱাঙাক ঙাঙনবসু ইকায়নদে, খঙবা-খঙদবা লাইগী মরমদা ৱা য়াম্না ঙাঙনবসু ইকায়নদে। হোয়, ইকায়বা হায়বদুবুদি মীনায়গী ৱাখল ওইরসু মপু ওইনা থবক তৌবদি ঙমগদৌবনি। মপু ওইনা থবক শূদ্রিমখৈ থবকসু ফংলোই, লৈবাকসু ফংলোই।

নিংথৌ শারগা ঙাঙনরিবা, রানি (লৈমা) শারগা ঙাঙনরিবা ময়াম অসিবু কনাদা হায়রিবনো, কনানা তাবিরিবগে? হোটেলদা, চা থক্লে পুথোরকউ হায়বদা গ্লাস চাম্বা অমদা হায়বা ফাওবা তারিবনি, লমদম অসিদবু হায়বা। হন্দক্তি অমনা অমদা ঙাঙনবসি তাবদি তাবা, য়ানদবগী ৱা ঙাক্তা তাবা। মসি শাওরুবদি য়াবা নত্তে, হৈতবা ওইনা লৌবনা চুমগনি। হৈত্রবদবু করি তৌরক্কদৌরিনো, তৌরক্লবসু অদুমক লানগদৌবা লৈরবনি। অদু ওইরগা করিগী থবক তৌরকউ হায়রুগদৌরিবনো? চিন থীনরিবা ময়ামসি ইকায়বা পোক্লবসু নত্তে। অতাবা ঐখোয়না হেন্না ইকায়রবা হায়তারে, তৌশিন্নবা ওইনা। হায়বদি ঙাঙনরিবা ময়ামসি লোইনা খঙবা ঙমজদে। অমনা মণিপুরীগী হায়গনি, অমনা কংলৈপাক্কী হায়গনি, অমনা মীতৈগী হায়গনি অমনা মৈতৈগী হায়গনি, খরনা অপূনবগীনি হায়গনি। খনফম খঙলক্তবা হায়রিসে মসিদনি, মদুদগীনি খরুং মপান্দা খৌ শারকপা হায়রিসে। অসিদবু চফু শাবনা শোয়বা নত্তে হায়গে হায়ব্রা, ইকায়ফম থোক্তবরা? অতৈদা তায়নবনা চুম্লক্কনি হায়বা লৈতে। ইপানি-ইপুনি উমংলাইদা নিরগা, ৱাকৎলগা ফরক্কদৌবা করিসু লৈতে। নৈনগদৌবদু নৈশিল্লগা লৈরগা খুমাং চাউশিনগনি খনবসু লানগনি খল্লি। অদুনবু উমংলাইশিং খুরুম্বা হায়বসি ইকায়বা পোল্লকই। লাইফমদু কনবনা য়ারগদ্রা, মূৎখ্রবগুম খল্লুবদু লৈরি, লৈরম্মী হায়বদি খঙলক্লে। লাই অতৈগী মমাঙদা ইপা-ইপুশিং মায় পাক্লা লৈরিব্রা, করি থৌজাল পীরকপা থেংনরবগে, করি তৌবা ঙম্লবগে? ইপা-ইপুদা ইকায়বা পীবা মচা-মশুশিং য়াওশিল্লক্লি। শাওবা লায়রি ইকায়বা পোকই।


ফজখ্রেদা লাইগী লৈবাকসে হায়রিবা লমদমসি মুন্নরিবা কাঙলূপ ময়ামসিগী মরমদা কনানসু লোইনা খঙলুবা নৎত্রি। তূমিন-তূমিন তৌনরম্বদু মপান থোল্লক্লে, অদু ফাওবদা খঙদবা ময়াম য়াওরিবনি। খঙলবসু হুরানবা মশেন হায়দোক্লদবা কয়ানি। লোইনমক্লা উবা য়াওরবসু লাইগী মিংদা, লৈঙাক্কী মিংদা হুরান্দবা শারগা মায় ঙাঙবা উত্তনা ইকায়বা মচেৎ অমা ফাওবা য়াওদনা লম মুন্নরিবনি। মদুমক খঙহৌদবশিং অদুনা হেন্না ইকায়বা খঙখিদ্রে, চাউঙাঙ ঙাঙবা ময়াম গঞ্জা ঙাওদুনা লৈবগুম্বনি। লফু থাফমদগী হৌগৎনরগা খৎনরগা লেল্লিবনি। কাঙলূপ তরামুক্লা মুন্নরিবা অসিদা ফম্মাংদা ফম্লগা কাঞ্জদা খোৎপসু য়াওরিবনি। য়াম্ফক তাদুনা লৈরবা মপুবোক অদুনদি খঙই, ঙাঙথোকপদি ঙমদে। শাজৎ ময়ামদুদি অনাবা হংবা লাকপদসু হুন্দোক্লম্বা নত্তেদনা। লম্বীদসু খৎনরিবা অসিসু ইকায়বা য়াবনি, থৎলিবশিং অদুনা ইকায়বদগী চৎপা ঙমজদ্রবশিংনা হেন্নদুম ইকায়জফম থোক্লিবনি। হাৎনগেরা শিনগেরা, মখোয়দি ইকায়নবা নত্তে, ঙাঙনরিবা খরতনা ইকায়জবা হায়বদুনি। হৌজিক তৌগদবদি শিবদা পুথোক্লবা লম্বী শেম্বনি, হিংলিবা ইপা-ইমাশিং পোৎলোয়বগী মঙফম লৈরোইদৌরি। ইকায়বনা হিংবা ঙমগদৌরিব্রা হংনরব্রা?

ইকায়গদৌবনি হায়বদু খঙউদবগী নুংঙাইবা অমদি লৈরল্লেদনা। নিংথৌ লৈঙাক্কী খুঞ্জা ওইরি খল্লুবনি, দেমোক্রেসি খঙলুদে, সোসলিজম হাপচিল্লে, মাওইজমদি য়ানদ্রি। ইকায়গদৌরিবসি কদায়ৱায়দনো? হিংবগী হক, শিবগী হক হায়রগা, হায়বনা কান্নদ্রে হায়বা খঙনরে। ৱাৎলিবসি লাই নত্তে মীনি, মালেমসি মীনা পুল্লাং লাংহল্লবনি। লমদম অসিদসু লাংলবনি, খঙহৌদ্রবদি ইকায়বনা হিংবা য়ারোই, ঙল্লোই। ইথৌ হায়গেরা, থবক হায়গেরা, থৌদাং হায়গেরা খঙদনা লাকখ্রবনি। ●


# পোং নিংথৌ অমসুং মীতৈ নিংথৌগী লান্মী খূৎপুনা খম্পাৎ লান তাবা অমসুং পোং মীতৈ ঙমখৈ য়াৎথোক্লবা -৫

## (মীতৈ অরিবা লাইরিক ‘শোরারেল মচানা খুনকুম্বা’ গী মতুংইন্না)

– মংলেমজাও সিংহ সোরোকখাইবম –
রিটাইয়র্ড আই পি এস
এক্স ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস, মণিপুর



মীতৈ নিংথৌনা য়ামন ফৈ পীগনি অদুবু চহী অমা ঙাইবীয়ু হায়না চাওলাংহাইদা খঙহনখ্রে। অসিগী মতুংদা মীতৈ নিংথৌনা মচা লৈমা লৈতবগী করম্না পীগদবনো হায়না মওন-মওন খল্লে পীগনি হায়নদি হায়দোকখ্রে, য়াথং কায়দনবগীমক্তা সেক্তা চনু অমা শেমদুনা সেকমু উৱাবি কৌদুনা থিল্লে। পাউ অসি খমপাৎ নিংথৌনা তারদুনা পোংদা থিল্লিবা লৈমা অদু লমখাংদা ঙাইদুনা মুনখ্রে। অসুম্না পোংদা থিল্লকপা লৈমা অসিবু মুনগে হায়না লাক্তুনা খমপাৎ নিংথৌনা মুনখ্রে মফমনা সেকমু চীংখোঙদনে।




**‘‘পোং নিংথৌনা মীতৈ নিংথৌদা অনীশুবা মনাই অচানবা (Nobleman) থারকপা’’**

পোং নিংথৌগী মনাই অচানবা চাওলাংহাইনা লৈমা খমপাৎ নিংথৌনা মুনখ্রবদা মশাদি নাম্থোক্তুনা চেনখ্রগা থোকখ্রিবা থৌদোক অদুগী ৱারম পূম্বা ময়েক শেংদা পোং নিংথৌদা তম্লে। পোং নিংথৌনা ৱারম পূন্নমক্তু তারবদা য়াম্না শাওরে, লান তাদুনা খমপাৎ লৈবাক থুগায়গে হায়না চপ য়ুংনা নীংলে। মরম অসিনা পোং নিংথৌনা ইশু মীতৈ নিংথৌগা পুল্লগা লান অসি শোক্লরগে খন্দুনা পোংগী অঙম্বা অমা মীতৈ কোনুংদা থারক্লে অদুগা ৱারম পূন্নমকসু পোংগী অঙম্বনা তমদুনা মীতৈ নিংথৌদা খঙহল্লে। লানগী খোঙশানগদবা মতমদি পোংগী অঙম্বনা পুরকপা খোঙকন মেলৈ (উরৈ) চবুন অমা পুথোরক্তুনা তঙ্খায় তানা শেৎতুনা য়েন্নরগা লৈ অসিনা খুমু চোংলকপা মতমদা খোঙশাল্লক্লগা পূন্না খমপাৎতা লান তাসি লেপ্পরে। পোং লৈবাক্তদি খরা শাবা হেনবনা হান্না খুমু চোংবা হানবনা পোং নিংথৌনা হান্না লাকখ্রে; অসুম ঙাইববু মীতৈ নিংথৌনা লাকত্রবদা মাবু কৌরুনবা মী থারক্লে। মীতৈ নিংথৌসু খুমু চোংলক্লে হায়দুনা লাকপবু লম্বীদা থেংনরে। মীতৈ নিংথৌনা লাক্লবদা পোং নিংথৌনা মীতৈ নিংথৌদা হায় - ‘‘ইশু মীতৈ নিংথৌ নঙদি করিগী থেংনা লাকপ্রা’’ হংঙে; মীতৈ নিংথৌনা খুম্মে - ‘‘ইপু নিংথৌ (পোং নিংথৌ) ঐগী লমদদি ঈংবনিনা লৈদু খুমু থেংনা চোংলে, নশুদি খুমু চোংবগা লাকচবনে’’ অসুম্না পাউখুমখিয়ে। মীতৈ নিংথৌগী ৱারম পূন্নমক তারবদা পোং নিংথৌদু হৱাওরে, মশু মপু অনীমক পূন্না খমপাৎ লান তাবা চৎখ্রে। খমপাৎ য়ৌরবদা লানবন অনী শারে পোং নিংথৌনা মীতৈ নিংথৌদা হায়রে- ‘‘নঙনা নোংচুপ্তুগী চঙলো অদুগা ঐনা নোংপোকলোমদগী চঙলগে’’ হায়না হায়রম্মী। লান কন্না শোক্লরে অদুবু খমপাৎসু কন্না ঙাকখিবা মরম্না মীতৈ অমসুং পোং লান্মী চঙশিনবা ঙমদ্রে। অসুম্না কুইনা লান শোক্লরকপদগী খম্পাৎকী লান্মী ময়াম চাবা থকপা য়াম্না ৱানরে অদুবু খম্পাৎকী কাঙবুনা নুংঙাইবা শাদুনা ফৌশু ঈশৈ শক্তুনা নুঙগা ৱাইগা শুদুনা মপান্দা তাহল্লম্মী। তাঞ্জা অসিদা মীতৈ অমদি পোং নিংথৌ অনীদু খমপাৎ থুগায়বা ঙমলোইদৌরমাল্লে হল্লসিরা হায়না খন্নবা হৌরম্মী। অদুবু ইখঙ খঙহৌদনা খমপাৎ লান্মী তেঙ্গোল মরক্তগী চরা হেনবী অমা চেন্থোরক্তুনা হায়রৈয়ে- ‘‘হে ইবুংঙো করি লৈবনো ঐবু পীজৌও চাদবনা শিগদৌরে খমপাৎ তেঙ্গোল মনুংদা ঈশৈ শক্তুনা শুরিবা অসিসু ফৌ নত্তে ৱাইনে, নুঙকুপনে অদুগা মীয়াম্না চাদবনা শিনরে, কুইরোইয়ে চেনগে তৌনরে’’ হায়না তম্মে। হনুবী অদুবু চানা থক্লবা পেন্না পীজরে। পোং নিংথৌনা হায়, ইশু মীতৈ নিংথৌ নঙনা নোংচুপলোমদগী, ঐনা নোংপোকলোমদগী অহিং লৈখুন হুৎতুনা চঙনরসি; নোংঙাল্লকপদা কনানা হান্না থুগায়বগে য়েংনসি হায়নরে। মীতৈ নিংথৌনা অহিংদা চঙদুনা খমপাৎ লানবন হান্না থুগায়রে। পোং নিংথৌদি নোং ঙাল্লগা খমপাৎ কোনুং চঙলে। খমপাৎ নিংথৌসু শামু অঙৌবা তোংলদুনা চেনখ্রে। মতু লৈমা অমদি মচানুপা কাইখং অমসুং কাইমাং মখোয় অহুম নিংথৌগী মমাঙ থাদুনা চেনখ্রে। খমপাৎ লানবন কায়রে। মমৈথংদা মুংও-মংত্রাদা লৈখ্রে।

**‘‘লান লোইরগা পোং নিংথৌ শুহেনফা অমসুং মীতৈ নিংথৌ থাংৱাই নিংথৌবগা মমিং থোন্নবা’’**

**(মীতৈগা পোংগা লম য়েন্নবা, শোংসুকনা মরৈ মরা তৌবা)**

লান লোইরবা মতুংদা টেঙ্গোল ময়ায়দা অচৌবা শঙ্গাই অমা চাউনা শারে। ফম্বাল শারে, তাংবল থারে, নিংথৌ অনীমক মাগী-মাগী তাংবলদা ফম্লে। নিংথৌ অনীমক পুন্না চাক চামিন্নরে। অসিগী মতুংদা লানদা মায় পাকপগী মমিং থোন্নরে। পোং নিংথৌ শুহেনফা কৌববু নুমিৎসিদগী **‘চাওফাহুম কেখোম্বা’** কৌরে হায়না লাউথোক্লে। অদুগা মীতৈ নিংথৌ থাংৱাই নিংথৌবাবুনা **‘‘চাওফাহোম কিংয়াম্বা’’ (ক্যাম্বা)** কৌরে। হৌজিক্তি লানফমদা মায় পাকপগী মীতৈ নিংথৌগী মফমদা লোইপোং হৌনবা পীরগে হায়দুনা মখাগী পোৎলমশিং অসি মীতৈ নিংথৌদা পীরে :-

(১) সনাগী শেনপোৎ তম্ফা লিশীং অমা থিনবা অমা। (২) সনাগী কৱাগোক অমা। (৩) লুপাগী কৱাগোক অমা। (৪) অমুনবা হৈ হাপ্পবা কৱাগোক অমা। (৫) সনাগী কোংখাও অমা লোয়ননা মখা থানবা সনাগী পুখম অমা। (৬) পিথ্রাইগী পুখম অমা, লুপাগী পুখম অমা। (৭) সনাগী খুজাই অমা, লুপাগী খুজাই অমা। (৮) সনাগী খুদৈশেন অমা, লুপাগী খুদৈশেন অমা। (৯) সনাগী থাঙ মতোন অহুম লোংবা অমা। (১০) সনাগী চীংলাইশাবা তাল অমা। (১১) সনাগী তাংবল মখোঙ মরি পানবা অমা। (১২) সেকপিল মথোল অহুম লোংবা অমা। (১৩) কাংহৈ অঙৌবা অনী। (১৪) নিংথৌগী শেৎনবা পোৎলোই পূন্নমক পীরে।

অদুগী মতুংদা মীতৈ নিংথৌ ক্যাম্বনা মাগী ইপু পোং নিংথৌদা করি পীসিগে হায়না খনববু মখাগী পোৎলমশিং অসি পীরে :-

(১) সেঙ্গা অমা (সংকাই)। (২) য়েনবা লাবা অমা। (৩) ষন্দং অনী।

অদুনসু মীতৈ নিংথৌনা পেন্দ্রদুনা মহাক্কী ফুরিৎ অদু লৌথোক্লগা পোং নিংথৌদা কৎলে, পোং নিংথৌসু মীতৈ নিংথৌগী মতৌদুদা য়াম্না হৱাওরে। অদুগী মতুংদা পোং নিংথৌনা মথংগী নুমিৎতা পোং মীতৈ লম য়েনবগী থৌরম লৈ হায়না লাউথোক্লে। ●

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৪

১) **‘‘বোমা তাদুনা লৈবাক কাইনখিবদগী ফোংবা ঙমদদুনা লৈরুবনি। মরুপ মপাং ময়াম্না ঐগী লাইরিক অতৈ পাবিরগা পিবিরকপা উৎসাহদগী লাইরিক অসিমসু ফোংবা ঙমজরি।’’** মথক্কী ৱাহৈ পরেং অসি লাইরিক অমগী ৱাহৌদোক্তা অইবনা পনবনি। অইবা অসি কনানো অমসুং লাইরিক অদুগী মমিং করি কৌবগে?

২) "The Recluse in Solitude Speaks" হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? অইবগী মমিং হায়য়ু।

৩) **‘‘অহিং অমগী ৱারী’’** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি মপানগী অইবা অমগী ৱারীমচাগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপা ৱারীমচা অমগী মমিংনি। লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে অমসুং কনানা ইবনো?

৪) **‘‘হোচীমিনগী মঙালদা ঙাওজরুই’’** হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৫) **‘‘নীংশিংবগী পোথাশঙ’’** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো? করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।